# অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুংদোংবম (পুপু) কপ ২০১৭
# সি ৱ্রাই এফ সি অমদি এস টি টি সেক্তা মাই পাকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ঃ পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু)না শিন্দুনা তিম ২১না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা পুঙদোংবমদা লৈবা লম্লাই হায়স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা পেরাদাইস য়ুনিয়ন পুঙদোংবম (পুপু) কপ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট অন্দর সেভেন্তিন, নাইন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭গী ঙসি শন্নখিবা লিগ মেটচ অনিদা সি ৱ্রাই এফ সি চিংখুনা এস বি আর নোংদমবু ২–১দা অমদি এস টি টি সেক্তানা ৱ্রাই এস এম সি তাংখম্বু ৪–২দা মাইথিবা পিখ্রে।

ঙসিগী অহানবা ওইনা এস বি আর নোংদমগা সি ৱ্রাই এফ সিগা লান্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা সি ৱ্রাই এফ সিনা ২–১দা মাইথিবা পিখিবনি। সি ৱ্রাই এফ সিগী গোলশিং অদু মেটচ অদুগী মিনট ২৪ অমদি ৫০দা তিম অসিগী প্রিয়ানন্দনা চনখিবনি।

এস বি আরগী গোল অদুনা মেটচ অদুগী মিনট ৪৯ চৎপা মতমদা তিম অসিগী কে ঐচ লকিনা চনখিবনি। নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক মেটচ মিনট ৪৯ চৎপা মতমদা এস বি আরগী কে ঐচ লকিবু রেফিরিনা য়েল্লো কার্দ উত্তুনা বুক তৌনখি।

অনিশুবা মেটচতা এস টি টি সেক্তাগা ৱ্রাই এস এম সিগা লন্বা তৌখি। মদুদা এস টি টিনা ৪–২দা মাইথিবা পিখিবনি।

এস টি টিগী মাইপাকপগী গোলশিং অদু মেটচ অদুগী অপিবা মতমগী মনুংদা মিনট ৯, ৩৬ অমদি ৪৯দা তিম অসিগী এস বিশোর্জিৎনা গোল ৩ চনখি অদুগা মিনট ৪৮ চৎপা মতমদা থোইনা গোল অমগা চন্দুনা মাই পাকখিবনি।

অদুগা মাইথিহৌরবা ৱ্রাই এস এম সিগী গোল অদুনা মেটচ অদুগী মিনট ২৩ চৎপা মতমদা তিম অসিগী রাহুলনা গোল ১ অদুগা মিনট নাওতোন্না গোল ১গা চনখিবনি।

মেটচ অদুগী মিনট ১২ অমদি ৩৮ চৎপা মতমদা মথংসিংনা এস টি টিগী আর কে সনাতোম্বা অমদি কবিরাজবু রেফিরিনা য়েল্লো কার্দ উত্তুনা বুক তৌখি।

# মণিপুরগী নুপীগী হোক্কি টিম সেনিয়র ৱুমেন্স হোক্কি নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা লৈহৌরে

রোতক, এপ্রিল ১৯ঃ হরিয়ানাগী রোতকতা লৈবা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা থা অসিগী ১৫ দগী চথরকপা ৭শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ কী 'বি' দিভিজনগী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মধ্য প্রদেশকী মখুৎতা মায়থিহৌরে।



ঙসি শান্নখিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মধ্য প্রদেশ অমসুং মণিপুরগী নুপীগী হোক্কি শান্নরোইশিং অদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌনবগীদমক্তা লন্বা তৌনখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু মধ্য প্রদেশকী শান্নরোইশিং অদুনা মণিপুরগী মাইকৈদা অহেনবা প্রেসর পীদুনা শান্নবা হৌরকখি। মেটচকী ৯শুবা মিনটতা মধ্য প্রদেশকী এটেক্ট অমদা ফঙখিবা পেনাল্টি কোন্নর অদু পুজা কুমারিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা একাউন্ট হাংখি।

অহানবা ক্বার্টর অদুগী অরোইবা মিনটতা মধ্য প্রদেশকী অতোপ্পা শান্নরোই ক্রুটিকা চন্দ্রনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মণিপুরবু মধ্য প্রদেশনা পাঞ্জল ২–০দা মাংজিল থারগা অহানবা ক্বার্টর লোইশিনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদুসু মণিপুরগী নুপীগী শান্নরোইশিং অদুবু মধ্য প্রদেশকী শান্নরোইশিং অদুনা হিরম খুদিংমক্তা লাকশীন্দুনা অহেনবা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা পুজা কুমারিনা ২০শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোন্নর অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩–০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিৎকুপ খরা ঙাইরবা মতমদা মধ্য প্রদেশকী নিসা রাজক্লা ফিল্ড গোল অমগা চন্দুনা হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ৪–০ দা মণিপুরগী টিম অদুবু মাংজিল থাদুনা চৎখি।

মণিপুরগী মাইকৈদগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা অহানবা হাল্ফ অদু য়েংনরুবদা ফজবা য়াম্না হেনখি। টিম অদুগী শান্নরোই ৱারেপম মন্দাকিনি দেবীনা ৪২শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোন্নর অমা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি।

ৱারেপম মন্দাকিনিনা শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা মণিপুরগী মাইকৈদগী চথখিবা অহেনবা এটেক্ট অমদা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফতা শোথখিবা পাঞ্জল মরিগী মনুংদা অনী হন্দোকপা হৌখি।

শান্নবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লকক্রবদা মণিপুরগী নুপীগী টিম অদুনা মখোয়গী মাইকৈদগী অরৈবা পাঙ্গল ফুদোক্তুনা শান্নরকখি। মেটচকী ৫৮শুবা মিনটতা মণিপুরগী ক্ষেত্রিময়ুম সোনিয়া দেবীনা ফিল্ড গোল অমা হাপচিন্দুনা মধ্য প্রদেশকী পাঞ্জল অদুগা মণিপুরগী পাঞ্জল অহুম লৈখি।

মণিপুর নুপীগী হোক্কি টিম অদুনা অহানবা হাল্ফতা ফজবা খরা ৱাৎখিবদগী অনীশুবা হাল্ফ লোয়গদবা মিনট ২খক অদুদা ইক্যুলাইজর অদু চনবা ঙমখিবদগী মধ্য প্রদেশনা মণিপুরবু পাঞ্জল ৪–৩ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা ৭শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সেনিয়র ৱুমেন্স নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৭ 'বি' দিভিজন অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা রাজস্থাননা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ গুজরাটপু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা রাজস্থানসু সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। রাজস্থাননা ক্বার্টর ফাইনেল অদুগী হৌরকপা ৫শুবা অমসুং ৬শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী ইকান কান্নদনা চনবা ঙমখি।

অহানবা পাঞ্জল অদু রাজস্থানগী রাজু রনৱানা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা চনখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী থংনবা মিনটতা টিম মেট নিবেদিতা চক্রবর্টিনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিল্লকপদা ২–০ দা গুজরাটকী স্পোর্টস ওথোরিটিগী একাদেমি অদুবু পাঞ্জল ২–১ দা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবদা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ গুজরাটকী মাইকৈদগী য়াম্না কান্না হোৎনরকখি। মদুনা মরম ওইরগা রাজস্থানগী শান্নরোইশিংনা মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈখি।

মেটচ লোইগদবা মিনট ৬ ঙাইরবা মতমদা রাজস্থানগী মনিসা শর্ম্মানা ফিল্ড গোল অমগা চনশিন্দুনা সাই ওথোরিটি ওফ গুজরাটপু ৩–০ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা হিমাচল প্রদেশকী ঐচ ঐচ এম অমসুং চন্দিগরগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা হিমাচলগী কেপ্টেন ওইরিবী সরিতানা পাঞ্জল ৪, টিম মেট সরোজনা পাঞ্জল ২ অদুগা অতোপ্পা শান্নরোই অনী এক্তা কোসিক অমসুং প্রিটিনা পাঞ্জল অমমম চল্লগা চন্দিগরগী মঞ্জুগী পাঞ্জল অদু নমথদুনা পাঞ্জল ৮–১ দা হিমাচলগী টিম অদুনা থোইদুনা টিম অদু সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ঙসি শান্নখিবা মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা হোক্কি হিমাচলগা হোক্কি কোর্দিনেসন টিমগা লন্বা তৌনবদা হোক্কি কোর্দিনেসন টিম্না ৭–০ দা মায়থিবা পীখি।

হোক্কি কোর্দিনেসন টিমগী মাইকৈদগী কে আর তেরানা পাঞ্জল ৩, পি এ পবিত্রনা পাঞ্জল ২, কে এস বিদায়া অমসুং ঐচ কে নিসানা পাঞ্জল অমমম গা চল্লগা মেটচ অদু ৭–০ দা থোইখিবনি।

# সাইকুল চিলচেপ স্পোর্টস মিট মপুং ফানা লোইশিনখ্রে

সাইকুল, এপ্রিল ১৯ঃ কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চান্না লৈবা সাইকুল ব্লোক্কী শান্নবুংদা চিলচেপ স্পোর্টস মিট হায়না মিংথোনবা ব্লোক লেভেল ইন্টর য়ুঠ ক্লব স্পোর্টস মিট ঙসি মপুং ফানা লোইশিনখ্রে।

স্পোর্টস মিট অসি সাইকুল ব্লোক্তা লৈবা কুকি ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন্না মমাং থাগী ১৮ দগী হৌদুনা থা অমা চুপ্না পাঙথোরকপনি।

ঙসি স্পোর্টস মিট লোইশিনবগী থৌরমদা সাইকুলগী এম এল এ য়ামথোং হাওকিপ্না চিফ গেষ্ট ওইখি। লোয়ননা এ দি সি সদর হিলসকী ভাইস চিয়রমেন থাংজকম মিসাকাওনা গেষ্ট ওফ ওন্নর ওইরগা কুকি ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল হেদ ক্বার্টরগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা পাওতিন্থাং লুফেংনা ফঙসন অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখি।

ঙসি চিলচেপ স্পোর্টস মিট লোইশিনবগী থৌরমদা ফুটবোল ফাইনেল শান্নখিবা হায়রিবা মেটচ অদুদা সাইজাং য়ুঠ ক্লব অমসুং কে লাইটরি য়ুঠ ক্লব অনীনা লন্বা তৌনবনি। টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা মেটচকী অপীবা মিনটতা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিবদগী মশান্না অসিগী চৎন–পথাপকী মতুংইন্না পেনাল্টি সুট আউত তৌখি। মদুদা সাইজং য়ুঠ ক্লবকী মাইকৈদগী পাঞ্জল ৫ চনখিবদা কে লাইটরি য়ুঠ ক্লবকী মাইকৈদগীনা পাঞ্জল ৪খক চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু সাইজং য়ুঠ ক্লবনা পেনাল্টি সুট আউত অদু পাঞ্জল ৫–৪ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

পেনাল্টি সুট আউত অদুদা সাইজাং য়ুঠ ক্লবনা কে লাইটরি য়ুঠ ক্লবকী মাইয়োক্তা পাঞ্জল মরি চনবা হানখিবদগী মেটচ অদু মখোয়না থোইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা সাইজং য়ুঠ ক্লব মেটচ অসি শান্নরকপদা মায় পাকপদগী চেম্পিয়ন ওইবগী শেলগী মনা ওইনা লুপা ৩০,০০০ ফঙখি। রন্নর্স অপ তাখ্রবা লাইটরিং ৱাইসিনা পুন্না শেলগী মনা ওইনা লুপা ১৫০০০ ফঙখি।




# সনরাইজর্স হায়দ্রবাদনা দেল্লি দিয়রদেভিলসপু আই পি এল সিজন ১০ গী ২১শুবা মেটচ রন ১৫ দা থোইখ্রে






সনরাইজর্স হায়দ্রবাদকী কেন ৱিলিয়মসন্না বোল ৫১ দা রন ৮৯ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বেটচমেন ওইখি

*হায়দ্রবাদ, এপ্রিল ১৮ঃ* ভিভো ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লীগ সিজন ১০ গী ঙসি হায়দ্রবাদতা শান্নখিবা ২১শুবা লীগ মেটচতা য়ুম্বু টিম অদুগী শান্নরোই সিখর ধৱন অমসুং কেন ৱিলিয়মসনগী ফজবা বেট্টিংনা দেল্লি দিয়রদেভিলসপু রন ১৫ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদু তোচ য়ুম্বু টিম সনরাইজর্স হায়দ্রবাদনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। টিম অদুগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখি।

কেপ্টেন দেভিদ ৱানর শুপ্নগী রন ৪ দা আউত তাখি। মহাক্কী মতুংদা চঙলকখিবা কেন ৱিলিয়মসন অমসুং অতোপ্পা ওপন্নর ধৱননা ইন্নিংস অদু য়াম্না ফজবা মওংদা পুখৎতুনা পুন্না ওভর ১৫ শান্নমিন্নবদা রন ১৩৬ কী পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা দেল্লি দিয়রদেভিলসগী বোল্লরশিং অদুবু ৱাহনখি।

১৭শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা সনরাইজর্স হায়দ্রবাদকী ওপন্নর দেভিদ ৱার্নরবু আউত তাহনখিবা খৃস মোরিসনা আউত তাহন্দুনা দেল্লিগী অনীশুবা বেটচমেন তুখি।

ৱিলিয়মসন বোল ৫১ মায়োক্লবদা সিক্স ৫ অমসুং ফোর ৬ য়ৈরগা রন ৮৯ লৌবা ঙমখি।

মহাক্কী মহুৎ য়ুবরাজ সিংহ শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা ধৱনগা অনৌবা পার্টনর্সিপ্তা রন ২২ হাপচিন্দুনা হায়দ্রবাদকী অপুন্বা স্কোর অদু রন ১৭০ শুহল্লকখি। মদুগী মখা তারকপদা ওপন্নর ধৱন বোল ৫০ দা সিক্স ১ গা ফোর ৭ য়ৈরন্নগা রন ৭০ দা আউত ওইখি ।

থংনবা বোল রন ৩খক লৌবদা ঙাইরিবা য়ুবরাজ সিংহবুসু ৱার্নর, ৱিলিয়মসন অমসুং ধৱনবু আউত তাহনখিবা দিল্লিগী মাউরিসনা আউত তাহনদুনা ১৯শুবা ওভরদা রন ১৭০ দা সনরাইজর্স হায়দ্রবাদকী বেটচমেন মরি আউত ওইখি।

মখাতানা লেমহৌবা বোল ১০ দা হায়দ্রবাদকী মাইকৈদগী মোজেস হেনরিক অমসুং দিপক হুদনা আউত ওইদনা রন ২২ হাপচিল্লগা টিম অদুগী স্কোর ১৯১ দা লোইশিনখি ।

দেল্লি দিয়রদেভিলসনা মায় পাকনবা রন ১৯২ লৌনবা হোৎনরকপদা ওপন্নর শমসন অমসুং দিলিংসনা য়াম্না কন্না হোৎনদুনা হায়দ্রবাদকী বোল্লরশিং মায়োক্লরকপনি। অদুবু বিলিংস বোল ৯ দা রন ১৩ লৌরন্নগা আউত ওইখি।

মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা নয়ার অমসুং শমসন্না অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ অদুবু নিংথিনা পুখৎলক্তুনা অপুন্নবা স্কোর ৮৫ শুহল্লকখি।

নায়র বোল ২৩ দা সিক্স ১গা ফোর ৫ য়ৈরন্নগা রন ৩৩ দা রন আউত ওইদুনা দেল্লিগী অনীশুবা ৱিকেট অদু রন ৮৫ দা তুখি। মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা পন য়ুবরাজ সিংহগী অহানবা বোল মায়োক্লবদা রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউত ওইদুনা দেল্লিগী রন ৮৬ শুরকপদা বেটচমেন অহুম তুখি।

শ্রীয়াস অয়র অমসুং শমসন্না মখা তাবা ইন্নিংস চথরকপদা রন ১৯ হাপচিল্লগা টিম অদুগী স্কোর ১০৫ শুরকপদা ওপন্নর শমসন রন ৪৭ তা আউত ওইখি।

শমসন বোল ৩৩ দা সিক্স ২ অমসুং ফোর ৩ য়ৈরমখি। শমসনগী মতুংদা এঞ্জো মেথিয়ুস শান্নবা চঙলকখি। মহাক্কা অয়রগনা ৫শুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপকীদমক রন ৭০ হাপচিল্লগা টিম অদুগী স্কোর ১৭৫ য়ৌহল্লকখি। অদুবু ইন্নিংসকী ৫শুবা বোলদা মেথিয়ুসনা অথুবা মওংদা রন লৌনবা হোৎনবদা রন ৩২ লৌরন্নগা আউত ওইখিবদগী মেটচ অদু সনরাইজর্স হায়দ্রবাদনা দেল্লি দিয়রদেভিলসপু রন ১৫ দা থোইখি।

# 'দি' লাইসেন্স কোর্স হৌরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৯ঃ লাক্লিবা মেগী ১৭ দগী ২১ ফাওবা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ আই এফ এফ 'দি' কোর্সতা শরুক য়াগদবা মীওইশিং খনখ্রে।

খল্লবা মীওইশিং অদুদি এল বাসন্তা সিংহ, এল থম্বাল সিংহ, এল সঞ্জিব সিংহ, টি প্রেমচন্দ শর্ম্মা, এম বিজেন সিংহ, এল অকবর সিংহ, কমৈ লঙ্গুংগা, বি হরিস শর্ম্মা, এম চিংশাঙখোম্বা, টি ঐচ নাওতোন সিংহ, টি ঐচ বুঙ্গো সিংহ, টি ঐচ সিটলজিৎ সিংহ, দব্লিউ প্রেমজিৎ সিংহ, দব্লিউ সুরজ সিংহ, এল মণিতোমবী সিংহ, দব্লিউ অজিৎ সিংহ, এ কে মহেস সিংহ, এন নেপোলিয়ন সিংহ, ঐচ অনীলকুমার সিংহ, দি বেনজামিন, দব্লিউ রোসন সিংহ, সৈটিনখুপ খোঙসাই, এম দি অবদুর শট্টর অমদি কে জেমসনি।

হায়রিবা মথক্তা পল্লিবা মীওইশিং অসিনা লাক্লিবা মে ১০ ফাওবগী মনুংদা লুপা ৫,০০০ অম্ফাগী ওফিসতা দিপোজিট তৌগদবনি হায়না অম্ফাগী জেনরেল সেক্রেটরী এল রঞ্জিৎ রোইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।







Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma**, Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*